**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 23-06-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৩-০৬-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

২) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা, নক্সলাইটশিংনা খূৎলাই থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লকবা আপিল তৌরি।

**অমসুং**

৩) সংসদকী এস্তিমেদ কম্মিতি অমসুং রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী লেজিস্লেতিভ বোদিশিংগী মীফম ঙসিদগী মুম্বাইদা হৌরগনি।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া লেপ্তুনা ফাগৎলি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিরিবাম জিলাগী মখা বষ্টিগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী

থবক চথুবদা মেগজিন য়াওবা এম-ফোর কর্বাইন অমা, ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন অনি, মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা, কন্ত্রিমেদ এস.এল.আর অমা, মেগজিন অমা, এস.বি.বি.এল কন্ত্রিমেদ ৪, পোম্পী গন অমা, এমতি পোম্পী বোম ৪, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, পি.কে.গেলেতিন গ্রাম ১৫০, মিতর ১ রোম শাংবা কোরতেক্স ৱায়র, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এ.কেগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৬০, সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম এম এস এল আরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৯, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫ ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈখু মনিং লৈকাইদগী মহাক্কী লোইনবী সিমা সাহনি হাৎপনি হায়বা লৈখিদ্রবী সিমা সাহনিগী মপুরোইবা এম.দি মজিবুর রহমন ফারে।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং ফাওবদা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা মীওই ১৪৫ শুখ্রে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়- ঙরাং মীওই ১০১ গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৩ কোবিদ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। মসিগী মনুংদা- ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মাওই ২৭, ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৩ অমসুং থৌবালদগী মীওই ৩ নি। মীওই মঙা নাবা ফাগৎলক্কুনা দিচার্জ তৌখ্রে। মীওই ১২২ না হোম আইসোলেসন তৌরি।

**মেট (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ময়াই ওইরপুগী অকনবা ফাওবগী চাংদা নোং চুরবা য়াই।

নোনে, জিরিবাম অমসুং সেনাপতি জিলাগী মফম খরদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। উখুল জিলাদা ঙসি অকনবদগী য়ামা কনবা চাংদা নোং চুরবা

য়াই হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন মেট বিভাগনা হায়রি-ঙসি মধ্য প্রদেশ অমসুং গুজরাটতা অকনবা নোং চুগনি। হায়রিবা অকনবা নোংজ্গী চাং অসি লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদসু অৱাং নোংচুপ অমসুং অৱাং নোংপোক্কী মফমশিংদা লৈগনি।

**সাহ**ঃগৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি-নোংজ্ থা ওইরবসু ছতিসগরদা নক্সলাইটশিং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথগনি। থৌরাং অসিনা নক্সলাইটশিংবু লৈবাক অসিদগী মরু ফংনা মুথৎপা ঙমবা পান্দম থম্লি। ছতিসগরগী রাইপুরদা গৃহ মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়াগী যাত্রা হুনবগী থৌরমদা হায়-নক্সলাইটশিংনা খূৎলাই থাদোক্তুনা সরকারদা চংজরক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিতা তংদু লৈতানা লৈরসি। ২০২৬কী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী নক্সলাইটশিং মুথৎনবা পান্দম থম্লি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--শাহ**

**মীফমঃ** সংসদকী এস্তিমেদ কম্মিতি অমসুং রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী লেজিস্লেতিভ বোদিশিংগী মীফম ঙসিদগী মুম্বাইদা হৌরগনি। মীফম অসিদা মরুওইনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা খন্নগনি। মীফম অসি এস্তিমেট কম্মিতিগী ৭৫ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। মীফম অসিদা লোক সভাগী অধক্ষা ওম বিরলা অমসুং রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চেয়রমেন হরিবঞ্চসু শরুক য়াগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইরানগী রাস্ত্রপতি মসুদ পেজেস্কিয়ানগা ৱারি শান্নদুনা হৌজিক ওইরিবা ইরান অমসুং ইজরেলগী উংখৎনরিবা অসিগী মতাংদা ৱারি শান্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ৱারি শান্নবা অদুদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিংগী মতাংদা খন্নখি। শ্রী মোদিনা লৈবাক অনিনা উংখৎনরিবা ফিভম অসি ৱারি শান্নদুনা শান্তি পুরকবা তকশিনখি। রাস্ত্রপতি পেজেস্কিয়াননসু ভারতনা হৌজিক ওইরিবা লৈবাক অনিগী ফিভম খঙবীদুনা শান্তিগী লম্বীদা চংশিন্নবা ৱাফমশিং পল্লকপবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

**ইরানঃ** ওপরেসন সিন্ধুগী মখাদা ইরানদগী ভারত মচা ৩১১ ঙরাং অখন্নবা ফ্লাইট অমদা নিউ দেল্লিদা থুংলরে। মপাল থৌরম মন্ত্রালয়না হায়-ওপরেসন সিন্ধুগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা ইরানদগী ভারত মচা লিশিং ১,৪২৮ থাংদোকপা ঙমখ্রে। ওপরেসন অসিগী শরুক অমা ওইনা ইরানদা লৈবা ভারতকী দুতাবাসনা মফম অদুদগী ভারত মচাশিং থাংদোরকবা অকনবা থবক পায়খৎলি। ভারত মচাশিংনা ভারতকী দুতাবাসতগী মতম মতমগী ওইবা পাউ লৌনবসু খঙহল্লি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি নিউ দেল্লিদা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা পীবা ৱারোলশিংদা য়ুমফম ওইবা লাইরিক ‘ৱিংস টু আৱর হোপ ভোল্যুম টু’ ফোঙগনি। রাস্ত্রপতিনা পীখিবা তোঙান তোঙানবা ৱারোল ৫১দগী লৌথোক্তুনা ইবা লাইরিক অসি ফোঙবগী থৌরমদা ইনফোরমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণো অমসুং রাজ্য মন্ত্রি ডা.এল মুরুগন শরুক য়াগনি। লাইরিক অসি হিন্দী অমসুং ইংগ্রাজি লোল অনিমক্তা ফোঙগনি।

**য়ুএস ঃ** ইরানগী নুক্লিয়ারগী খুৎশু খুৎলায়শিং থম্বা মফম অহুমদা আমেরিকানা চথখিবা মিলিটরি এটেক অদুবু লৈবাক অদুনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। লৈবাক অদুগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- এটেক অদুগী দাইত্ব

পুন্বা আমেরিকানা পুগদবনি। থৌদোক অসি অন্তরজাতিগী আহন অমসুং য়ু.এন চার্টরবু থুগাইবনি।

আমেরিকানা ইজরেলগা খুৎশমদুনা মীওই কাংলুপ অমদা অতমনা লান্দাবগী থবক চৎথে হায়নসু ইরান্না মরাল শিরি। আমেরিকানা এটেক চখ্খিবা লৈবাক অদুগী ন্যুক্লিয়ারগী খুৎশু খুৎলায় থুম্ফমশিং অদু ইন্তরনেসনেল এতোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই.এ.ই.এ)গী মীৎয়েং মখাদা লৈবা মফমশিংনি। ইরান সরকারনা য়ুনাইতেদ নেসন্স অমদি মসিগী সেক্যুরিতি কাউন্সিল অমসুং আই.এ.ই.এনা এটেক অদুগী মতিক চাবা এক্সন অথুবদা লৌখৎনবা আপীল তৌরি।

মরক অসিদা, ইন্তরনেসনেল এতোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই.এ.ই.এ)না ইরানদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা মীফম অমা হয়েং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

**তেন্নিসঃ** ভারতকী নায়া রাজেস্বারননা জর্মনিদা পাঙথোকপা আই.টি.এফ.জে ২০০ গ্লেটবেককী নুপীগী সিঙ্গল তাইতল লৌরে। চহী ১৬ খক্তা ঙাইরিবী ভারতকী শান্নরোই অসিনা স্টিজরলেন্দগী নিয়োলিয়া মন্তাবু ফাইনেলদা ৬-২,৬-৪ দা মাইথিবা পীরমখি। সেমিফাইনেলদা ময়ানা ফ্রাঞ্চকী শান্নরোইবু মাইথিবা পীরমদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

**ফুটবোলঃ** ইন্দিয়ন আর্মি(ফিফতি সেভেন) মাউতেন দিভিজন লৈমখোঙগী স্পোন্সর মখাদা ৮ শুবা বিহার রেজিমেন্ট অমসুং চলৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লব অনিনা পুন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চলৌ গ্রাউনদা চথ্খরিবা নাইন এসাইদ মণিপুর ওপন চলৌ ক্লব ফুটবোল টুরনামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ু.এফ.ও লম্লাইনা ৱাই.পি.এফ য়াইঙংপোকপীবু পাঞ্জল ৭-৬ তা, ৱাই.দব্লিয়ু.সি শবুংখোকনা ইষ্ট কংলৈপাকপু ৭-০ দা, পান্থোইবী এফ.সিনা এ.এন.এল.কে

শওম্বুংবু পাঞ্জল ৩-০ দা, লৌশাংখোঙ টিম বি না এরেনাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অহমেদবাদতগী লনদন তমা পাইগদবা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট-ৱান সেভেন ৱান কাইবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবী কেবিন ক্রু কোংব্রাইলাৎপম ঙান্থোইগী হকচাং ঙরাং ইম্ফাল য়ৌরকখিবগী পাউ অসি ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙনরি। পাউ অসি য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিং -সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পীপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক অমসুং হুইয়েন লানপাউ পাউচেশিং অসিদা ফোঙলি।

পন্দুনা লৈরিবা দ্রাইভরশিংদা মতেং পাংখ্রে, ফেসামা লন্থী শেন্থগী থবক মতম শাংনা চংখিগদৌরি হায়বা পাউ -সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। নুপী অমা তুম্লীঙৈদা হাৎলম্লে, মপুরোইবা পুলিসনা লৌখৎখ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙান মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন অমসুং পীপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

খোয়াথোং থিংজিনখিদুনা দি.এম য়ুনিভর্সিতিগী একাদেমিক এটমোসফিয়রদা চাউনা অকাইবা পীরে হায়বা পাউ -পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। স্তাম পেপর সুনা ফংদবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

লৈঙাক্কী লৈরিবা কোলেজ ওজাশিং এম.ফিল্ড অমদি পি.ঐচ.দিগী সার্তিফিকেটশিং নৌনা স্ক্রিনিং তৌগদৌরি হায়বা পাউ নহারোল থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। লাই হরাউবগী থৌরম পাঙথোক্লগা লাই কন্মিতি অমদি সোসিএল মেদিয়া পায়রিবা মীয়ামদা উকলনা ৱাফম কয়া থম্লক্লি হায়বা পাউ পাউচে অসিমক্কী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

য়ু.এসকী ত্রাভেল এদভাইজরিশিংদা অমেরিকা মচাশিং মণিপুরদা চত্তনবা খঙহনখ্রে হায়বশিংদা ফ্রি মুভমেন্ট লৈহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং থম্লিঃ এম.ঐচ.এ হায়না সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। এন.ঈ ষ্টেটশিংগী মরক্তা মণিপুরনা খ্বাইদগী য়ামা কোবিদ নাবা ষ্টেট ওইরে, নৌনা মীওই ৩৩ পোজিতিভ ওইদুনা অপুনবা কেস ১৪৫ য়ৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পাউচে অসিমক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ঙসিদগী নুমিৎ ৫ চুপা নাগাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা লোইশঙশিং থিংজিল্লগনি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেলদাইন তৌদুনা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল অমসুং তামেংলোং তাইমস পাউচেশিং অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**